মালেমগী অঙকপশিং

# দ লীনিং টাৱর ওফ পিসা



কুমজা ১৯৯০ দা এঞ্জিনিয়র, মেথমেটিসিয়ন অমদি হিষ্টোরিয়ন-শিংগী ওইবা ইন্টরনেসনেল টিম অমনা এটলান্টিক ওসীন ময়ায়দা লৈবা অজোরস আইলেন্দদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মখোয়গী পান দমদি চাউরাক্লা চহী ৮০০ লোম শুরবা অমসুং তুথরক্কদৌরবা বিল্ডিং অমা কন্নবগী মতাংদনি। মতমদুদা বিল্ডিং অদু নাকল অমদা দিগ্রী ৫.৫ রোম পৈথরকপা থেংনখি। অথুবা মতমদা মতীক চাবা থৌরাং লৌ-খৎহৌদবা তারবদি মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা লীনিং টাৱর ওফ পিসা নীংখায়রকপা য়াবগী ফীভম উবা ফংখি।

তশেংবদি বিল্ডিং অদু অহানবদা পিসা সিটিদা লৈবা কেথিদ্রেলগী কাংশি য়ান্নবা বেল টাৱর ওইনা শেমগৎখিবনি। তরাশুবা চহীচাদা চাকহোং-ঙাহোংবা নুংঙাই-য়াইফবগী খুদম ওইনা ইটলিদা অসিগুম্বা মখলগী টাৱর কয়া শাবগী চৎনবী লৈরম্মী। পিসাগী টাৱর অদু কনানা দিজাইন তৌখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

অহানবদা টাৱর অদুগী অর্কিটেক্ট বোনানো পিসানো কৌবা পিসাদা লৈবা মীওই অমনি হায়না থাজনরম্মী। অদুবু কোন্না অখঙ-অহৈশিংনা থিগৎনরুবা মতমদদি পিসাগী নিকোলা বেল টাৱর দিজাইন তৌখিবা দিওটিসালভি মশামক লীনিং টাৱর ওফ পিসাগী অর্কিটেক্টনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখি। কুমজা ১১৭৮ দা অহুমশুবা মথোল শাবা হৌগৎলকপদা টাৱর অদু অৱাং-নোংচুপ থংবা মায়কৈদা পৈথরে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি। অদুবু লুরিবা ৱাফমদি টাৱর অদুগী ফাওন্দেশন শুপ্পগী ফুট ১০ খক লুরম্মী অমসুং মফমদুগী লৈবাকসু চোৎ-চোৎ লাউরম্মী।

পিসাগী মীয়াম্না টাৱর অদু শাবা লেপহন্দুনা অশোয়বা পুম্নমক হান্না শেমদোকহনবা পাল্লম্মী। মতৌ অসুম্না চহী ১০০ রোম হৌখ্রবা মতুং কুমজা ১২৭২ দা জিওভানি দি সিমোনগী মীৎয়েং খাদা টাৱর শাবগী থবক অমুক পায়খৎপা হৌখি।

জিওভানিগী হৈ-শিংলবা মীৎয়েং খাদা টাৱর শাবগী থবক মখা চত্থরম্মী। অদুবু তরেৎশুবা মথোল য়ৌরকপদা টাৱর অদু খারোমদা য়াম্না নীংথিজনা পৈথরে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। কুমজা ১২৮৪ দা লান শোক্ল রকপদগী বিল্ডিং শাবগী থবক অমুক হন্না লেপ্পা তাখি। কাইনথংদা কুমজা ১৩৭২ দা টাৱর অদু শাবা লোইশিনখি। মতুং তারকপদা টাৱরগী বেল চেম্বরদা কাংশি তরেৎ থিনখি।

শাবা লোইরবা মতুংদসু টাৱর অদু অসুম-অসুম পৈথরকখি অমসুং ১৬ শুবা চহীচাদদি টাৱর অদু দিগ্রী ৩ লোম পৈথরকখি। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না বিল্ডিং কয়া নীংখায়রকখি অমসুং অনৌবা কয়া শাগৎখি। অদুবু পিসাগী অপৈবা বেল টাৱর অদুদি পৈরবসু পৈনা ঙসি ফাওবা মালেমগী শীংথানিংঙাই ওইরবা বিল্ডিং অমা ওইদুনা অদুমক লৈরি।

কুমজা ১৯১১ দা মালেমগী ফাওরবা এঞ্জিনিয়রশিংনা টাৱরগী পৈথরক্লিবা মওং অদু কূপ্পা য়েংশিনবদা শীংথানিংঙাই ওইরবা টাৱর অদু চহী খুদিংগী অসুম-অসুম লেপ্তুনা পৈথরকই হায়বা খঙবা ঙমখি। কুমজা ১৯৩৪ দা দিরেক্টর বেনিটো মসোলিনিগী মখাদা থবক তৌবা এঞ্জিনিয়রশিংনা ফাওন্দেশনগী মখাদা কংক্রিট টন ২০০ রোম হৈজিন্দুনা অশোয়বা অদু শেমদোক্লবা হোৎনখি। অদুবু ফরকপদি লায়রদনা হেন্না ফীভম শোকচিল্লকখি। কুমজা ১৯৮৯ দা টাৱর অদু দিগ্রী ৫.৫ রোম পৈরকখি। হাইরপ মান্নবা পাভিয়া টাওনদা লৈবা অতোপ্পা টাৱর অমা ইখঙ খঙহৌদনা নীং-খায়রক-খিবদগীদি ওফিসলশিংনা পিসাগী টাৱর অদুদা মী চঙবা থিংং-খবগা লোয়ননা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিং হোংদোকহনখিদুনা মালেমগী থাক্তা টাৱর কন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

খা থংবা মায়কৈদা অসুম-অসুম পৈথরক্লবা টাৱর অদু কন্নবগীদমক অৱাং থংবা নাকলগী ফাওন্দেশন মখাদগী লৈবাক খরা তৌথোকপা কান্নগনি হায়না ইম্পরিয়ল কোলেজ লন্দনগী সোইল মেকানিক জেন বরলেন্দনা ফোঙদোরকখি। ৱাফম অসিদা চপ চানা থাজবা থল্লদুনা টাৱরগী অৱাং থংবা নাকলদগী চহী কয়া চঙনা লৈবাক টন ৭৭ লোম ফাওন্দেসন মখাদগী কোৎথোকখি। কুমজা ২০০১ গী অদুৱাইদদি কা হেন্না পৈথরল্লবা টাৱর অদু খরমখৈ চুমথোকপা ঙমদুনা কুম ১৯৩০ দা ওইখিবা ফীভম অদুগা হাইরপ মান্নহনবা ঙমখি। হৌজিক্তি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না চপ চানা থাজবদগী টাৱর অদুদা মীয়াম চঙদুনা য়েংবা য়াহল্লে।

কুমজা ১৯৮৭ তা য়ুনাইটেদ নেশন্স এদ্যুকেশনেল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেশন (য়ুনেস্কো) না টাৱর অসিবু ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখি।

মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চল্লবা টাৱর অসিগী অৱাংবা ফুট ১৮৩ গা ইঞ্চি ৩ (মিটর ৫৫.৮) নি। দিগ্রী ৩.৯৭ তা পৈথরবা টাৱর অসিদা দোলান কাফম শিরি থাক ২৯৬ য়াওই। ইটলিগী পিসাদা লৈবা কেথিদ্রেলগী বেল টাৱর ওইনা কুমজা ১১৭৩ দগী শাবা হৌরগা কুমজা ১৩৭২ দা শাবা লোইশিনখিবনি। নুঙ মকক অমদি মার্বলনা শাবা টাৱর অসিদা কাংশি তরেৎ য়াওই।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – মাইকেল জেক্সন –



পোপকী নিংথৌরেলনি হায়না খঙনরিবা মাইকেল জেক্সনগী মমিং তাদবা মীওই ইরৈ-লৈরমগদবা মান্দে। অমেরিকন শৈশকপা, শৈরেংবা, রেকোর্দ পুথোকপা, জগোয় শাবা অমসুং এক্টর অসি শাংলবা চহী ৪০ রোম মালেমগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা মমিং চৎলম্মী। নোংচুপলোমগী জগোয় অমদি ঈশৈদা মহাক্লা তল্লম্বা খুদোল মমল নাইদে। পোপকী নিংথৌরেল অসি কুমজা ১৯৫৮ গী ওগষ্ট ২৯ দা চিকাগো মেট্রোপোলিটান এরিয়াগী ইন্দিয়াগী মনুং লৈবা গেরিগী জেক্সন ষ্ট্রিটতা পোকখি। জোসেফ ৱাল্টর জেক্সন অমদি কেথরিন এসথর স্ক্রুজগী মচা তরাগী মনুংদা মহাক্লা নিপালশুবনি।

ৱারক-চেৎপা মপানা মরম ওইরদুনা পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমা ওইবা ঙম্বনি হায়না মাইকেলনা ফোঙদোকখিবা তরবসু মহাক্লা অঙাং ওইরিবৈঙদা মপা-মচাগী মরী অদুক হাক্লা ফবা ওইখিদে। কুমজা ১৯৯৩ গী ফেব্রুৱারিদা শন্দোরকখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মাইকেল জেক্সননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অঙাং ওইরিবৈঙদা মহাক মপানা থীনা-থীনা চৈবিবগা লোয়ননা তমথিনা ফুবীবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি হায়রি।

কুমজা ১৯৬৪ দা মহাক মশানা লিংখৎপা “জেক্সন ব্রদরস” কৌবা ঈশৈগী কাঙলুপ অমদা বেকঅপ ম্যুজিসিয়ন অমা ওইনা য়াওখি। অহানবদা মহাক কোঙ্গা অমসুং টম্বোরিন য়ৈবা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৬৬ তা মহাক্লা ময়াম্বা জর্মেনগা লোয়ননা ঈশৈ শকপা হৌখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ঈশৈ কাঙলুপ অদুগী মমিং “জেক্সন-ফাইভ” হায়না ওন্থোকখি। ওল্লকপা চহীদা গ্রুপ অসিনা মরু ওইবা টেলেন্ট শো অমদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৬৬ তগী ১৯৬৮ ফাওবা মফম কয়াদা কোয়চৎ চত্তুনা পার্ফোর্মেন্স পীখি।

জেক্সন-ফাইভনা ইন্দিয়াদা লৈবা ষ্টিলটাওন রেকোর্দসকীদমক ঈশৈ কয়া রেকোর্দ তৌখি। কুমজা ১৯৬৮ দা রেকোর্দ তৌখিবা “বিগ বোই” না অহানবা সিঙ্গলনি। কুমজা ১৯৮৯ দা জেক্সন-ফাইভনা লোস এঞ্জেলিস এরিয়াদা হোংদোক্লগা ঈশৈগী রেকোর্দ কয়া মখা তানা ফোঙখি। মতমদুদা “রোলিং ষ্টোন” কৌবা মেগজিন অমনা নহা ওইরিবা মাইকেলবু ময়াম মরক্তগী খ্বাইদগী হৈথোই-শিংথোইবা অমসুং ঈশৈদা পীথোরকপা মতিক ময়ায় চেল্লব শৈশকপনি হায়না ইরকখি। গ্রুপ অসিনা ঈশৈ মরি – “আই ৱান্ট য়ু বেক” (১৯৬৯), “আই ৱিল বি দ্যের” (১৯৭০), “এ বি সী” (১৯৭০) অমসুং “দ লভ য়ু সেভ” (১৯৭০) ফোঙলকপদা মীয়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা পাম্নবগা লোয়ননা বিলবোর্দ হোট হন্ড্রেদকী নম্বর ৱান তাবা ঙমখি। কুমজা ১৯৭১ দা জেক্সনগী ইমুং অদু কেলিফোর্নিয়াগী এন্সিলোদা একর ২ পাক-চাউবা মফম অমদা অচৌবা য়ুম অমা শারগা হোংদোকখি।

ব্যুটি দাইহিরজ – মেক অপ

# কমদৌনা মায়থোঙগী ফজবা হেনগৎহনগদগে



নুপা ওইগেরা, নুপী ওইগেরা মালেমদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লা মীবু শুমহৎপা ঙম্বা ফজবা মায়থোঙ হায়বদু শোয়দনা পাল্লমগনি। থবক্কী ইন্টরভিয়ু য়াওবদবু ওইরো নৎত্রগা মীয়াম তিনবা মফমদা ৱা ঙাংবদবু ওইরো শক ফজবা হায়বসিগী খুদোংচাবা অমদি অদুমক লৈরিবনি। মফম খুদিংমক্তা শক ফজবগী চন্নফম লৈ। ফজবা মীনা তৌথোরকপা হায়বসিমক্তবু ইফদ-ফজৈ, ইয়েংদ য়েংনিংই। শম্না হায়রবদা নীংথিবা মায়থোং হায়বসি কনানসু হূখিবা-মুনখিবা ঙল্লরোইদবা ইশাগী অশেংবা লননি। মরম অদুনা ইশা-ইশাগী মায়থোংবু কমদৌনা ফজহনগদগে অমসুং মীনা য়েংনিংবা মায়থোং ওইহনগদগে হায়বসি খঙদবা য়ারক্রে।

মীওইবগী অৱা নুংঙাই অনীমক্কী মমি মায়থোংদা তাই। কনাগুম্বা অমা করম্বা পুন্সি মহিংদা হিংলিবগে হায়বা মী অদুগী মায়থোং য়েংলগা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। কনাগুম্বা অমা মশক ফজৈ নৎত্রগা থী হায়বসিসু মী অদুগী মায়থোংদা য়েংলগা লেপ্পী।

মায়থোং ফজহনবা হায়বসি ইশা ইশানা হোৎনজবগী মখা য়াম্না পোল্লি। শেল কা হেন্না চঙনা কোসমেটিক সর্জরি তৌরুদ্রবসু ইচম চম্বা অরায়বা কাঙলোন খরা ঙাক্লা চৎলবদি য়েংবদা নুংঙাইবা, ফজবা মায়থোং হায়বদু অদুমক ওইহনবা য়াবজাৎনি।

অচম্বা কাঙলোন খরদং ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নরসিঃ

❖ মরেক কনবা ওইলি ওইবা উনশা ওইরবসু ঈকং কংবা দ্রাই ওইবা উনশা ওইরবসু নুপা নুপী খায়দনা মীপুম খুদিংমক ইশাগা চান্নবা অফবা মোইচরাইজ অমমম নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নগদবনি। চাং নাইনা মোইসচরাইজর শীজিন্নদ্রবদি চহী মতাং চাদনা মায় খুইজিল্লক্তুনা য়েংবদা নুংঙাইতবা শকফম ওইরক্কনি।

❖ চাবা থকপদা চেকশিনগদবনি অমসুং ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। তৈশিনবা, য়েকশিনবা খক্তনা কান্নদে, অফবা চীঞ্জাক চাদ্রবদি উনশা থীজিল্লকই।

❖ চৎথোকপা খুদিংগী সনস্ক্রীন লোশন অমা শোয়দনা তৈগদবনি।

❖ চাং নাইনা নুমিৎ খুদিংগী মায়গী মশলশিং শাজেন তৌগদবনি। মায়গী মশলশিং শাজেল তৌরবদি মায়দা চুম্বা, য়েংবদা নুংঙাইবা হায়বদু শোয়দনা ওইরক্কনি।

পুক্লিংদা করি খল্লিবগে হায়বদু মায়থোংদা মমি তাই হায়নবা লৈবনিনা য়ারিবমখৈ নুংঙাই-নুংঙাইবা অফবা ৱাখল খন্দুনা নোকফেৎ তৌবা তমগদবনি।

অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না কনাগুম্বা অমা নোকফেৎ তৌবা মতমদা মায়থোংগী ফজবা শরুক ১০ হেনগৎহল্লি হায়রি। মরম অদুনা শেলসু চঙদবা, মতমসু মাঙদবা নোকফেৎ তৌবদা করি অকায়বা লৈবগে? থবক খুদিংমক তমদনা হৈয়ু হায়বা য়াদবনিনা নোকপসু তম্বা মথৌ তাই। মতম খুদিংমক্তা মীনা য়েংনিংবা শকফম ওইহনগে হায়রবদি মতম লৈবা খিবীক্তা নোমমি-নোকমি তৌগদবনি। নোকফেৎ তৌবা মতমদা ইশাখক্তা নৎতনা অউবা, থেঙনরুবা খুদিংমকপুসু হরাওহনবা-নুংঙাইহনবা ঙম্মী। তোয়না তমদুনা হৈনবী অমা ওইহল্লবদি নোকফেৎ তৌবা হায়বসি ইশা খঙজদ্রবসু থোইদোক্লা হোৎনরুবা তৌদনা মশা মথন্তা অদুম্মক তৌজখ্রগদবা থবক্লি।

অহানবদা মিংশেল অমগী মমাঙদা লেপ্লগা করম্বা মওংদা নোকফেৎ তৌবনা খ্বাইদগী চান্নবগে হায়বদু ইশা ইথন্তা য়েংজগদবনি। তৌশিন্নবা নৎতবীদা থম্মোয় শেংনা নোকপা মতমদা মীৎশু য়াওনা নোক্কনি। মতমদুদা মায়থোংগী ফজবা শোয়দনা হেনগৎকনি।


কনাগুম্বা য়া ফজদবা নৎত্রগনা শ্বর মনম নমথিবা মীওইশিংনা মশাগী অশোয়বা লোৎশিন্নবা হোৎনবদা থম্মোয় শেংনা নোকথোকপা ঙমদবা মরম্না মায়থোংগী ফজবা মাঙহল্লি। মরম অদুনা অশোয়বা অসিসু শেমদোকপা মথৌ তাই। য়াদা চুবা য়াবা ইশাগী ফত্তবা হৈনবীশিং থাদোকপা তঙাই ফদে। চাং নাইনা য়া অমদি লৈ শেংদোকপগা লোয়ননা মাউথ ফ্রেশনর অমা মতম চুপ্পা ইশাগা লোয়নগদবনি। দেন্টিষ্টকা তান্নদুনা য়াগী অশোয়বশিং শেমদোক্কদবনি। নহাক্লা নোকপা মতমদা মীয়াম্না শুকশোয়-শোয়দনা য়েংল্লকদৌরিবা নহাক্কী নচিন্দনি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ শ্বর মনম নমথিদনবা হোৎনগদবনি।

থবক মফম নৎত্রগা মীয়াম তিনবা মফমদা ওইরবসু নোকফেৎ তৌবা শক্তম উৎপা তারবদি মীয়াম্না য়াবা মীশক অমা ওইবদা নৎতনা মায়থোংগী ফজবসু হেনগৎকনি। মায় খুইবা মীওই ওইবা তারবসু চুম্না লৈববুদি নোকপা মতমদনা অখুইবা মপা অদুগী ফজবা হেনগৎহল্লি।


## য়োংচাক্কা আলুগা কমদৌনা ইরোনগদগে

য়াম্না ঙল্লিবৈঙে মতমদগী হৌনা য়েলহৌমী ওইনা লমদমসিদা লৈরিবা মীতৈশিংগী খ্বাইদগী হাওবা ইনসাংশিংগী মনুংদা য়োংচাক-আলু ইরোনবসিনি। আলু অনৌবগা মরু তোংতক তৌবা য়োংচাক্কা নিংথিজনা ইরোল্লগা পুখম মচিদা থাংজি য়াৎলগা ঙৌবা উকাবী অপাকপদু অমত্তং য়াওরবদি মপুং মরৈ ফাবা চাক-ইনসাং ওইরে। য়োংচাক্তা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওবতা নত্তনা খোঙ হাম্বা নুঙাইবা ইনসাং নাপীশিংগী মনুংদা অমসু ওই। চঙগদবা মচল- মরু তোংবা য়োংচাক খরা, আলু অবের চাইবী অনৌবা খরা, মরৈ মুন্না লৌরবা ঙামু খরা, ঙারী খরা, মোরোক অঙাঙবা খরা, ইরোনবদা থাক্লবা মখল মখা কয়াগী মরোইশিং। মকক-মকক ককথৎলবা খেৎতোক্তবা য়োংচাকশিং অদুগা লোয়ননা আলু, মোরোকশিং অদু প্রেসর কুকর অমদা হাপ্লগা অনীরক/অহুমলক কামহল্লবা মতুংদা পুখম অমদা হৈদোক্লগা ঈংহনগনি। ঙৌথোক্লবা ঙারীশিং অদুগা থুমগী চাং চানা হাপ্লগা মোরোক্কা পুন্না মেৎকনি। অমেৎপা অদুদা মরৈ মুল্লবা মরু য়াওহন্দ্রবা ঙামুশিং অদুসু নোয়শিনগনি। মকু য়াওনা ফুৎখিবা য়োংচাক মককশিং অদুদগী মরুশিং অদু তোঙান্না খন্দোক্কনি। আলু মকু য়াওহন্দনা মফোন তানা খুৎনা নোয়রবা তুংদা মোরোক মেৎপদুগা পুন্না নোয়মিন্নগনি। মদুগী তুংদা য়োংচাক মরুশিং অদু হাপচিল্লগা অমুক পুন্না উয়ানগুম্বা অমদা হাপ্লগা নোয়গনি। উয়ানদা হাপ্লগা নোয়বগী মরমদি থুম মোরোকশিং অদু চাং মান্নহনবা ঙম্মী। মদুগী তুংদা শোইদোক্লবা মরোই মপাংশিং অদু মথক্তা চাইরগা অদুমক ফংবা য়ারে।







Title: Kingfisher
By: Sweety Thiyam
Class: III Sec: B Roll No. 89
School: Regular English High School




Title: Village Scene
By: L. Lingjen Chanu
Class: III Sec: A Roll No. 9
School: Regular English High School




Title: Bird
By: Nganthoi Thoudam
Class: IV Sec: A Roll No. 11
School: St. Peter's High School



Title: Tree
By: Lingjel Laishram
Class: Nursery Sec: Amber Roll No. 18
School: Heritage Convent



Title: Taj Mahal
By: Katy Thoudam
Class: K.G. Sec: A Roll No. 18
School: Regular English High School



Title: Ocean
By: Ningthoujam Shakhensana
Class: III Sec: B Roll No. 98
School: Regular English High School



Title: Bungalow
By: Kh. Leishembi Chanu
Class: III Sec: B Roll No. 82
School: Regular English High School



Title: Fish
By: Thoudam Nganba
Class: Nursery Sec: A Roll No. 11
School: St. Peter's High School